ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯱꯱, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯶꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, সেপ্টেম্বর ১১, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১৬৩শুবা মশীং

৯/১১গী নীংশিং কুমওন অমুক য়ৌরক্লে

মীয়াম্না য়ানিংদ্রবসু টালিবাননদি থৌদোক্তু মরম চায় হায়না লৌরি

মীয়াম্না ৯/১১ হায়রগা খঙনরিবা কুমজা ২০০১গী সেপ্টেম্বর ১১দা ইস্লামিক টেররিষ্ট গ্রুপ অল-কাইদানা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সতা চত্থখিবা এটেক অদুগী ১৮শুবা নীংশিং কুমওন য়ৌরক্লে। অল কাইদানা য়ু এসকী মরু ওইবা পেসেঞ্জর এয়রক্রাফট মরি- য়ুনাইটেদ এয়রলাইন্সকী অনী অমসুং অমেরিকন এয়রলাইন্সকী অনী হায়জেক তৌরগা চত্থখিবা এটেকতা মীওই ২,৯৯৬ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ৬,০০০ লোম অশোক-অপন নংখি। দোলর বিলিয়ন ১০ রোমগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং লন-থুম মাঙ তাকখি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মতুং তারকপদসু মীওই কয়া কেন্সর অমদি রেস্পিরেটেরি দিজিজনা মরম ওইরগা শিখি। নুমীৎতুদা অৱাং-নোংপোক থংবা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সতগী সেন ফ্রান্সিস্কো অমসুং লোস এঞ্জেলিস তম্না পাইগদবা প্লেন মরি অল-কাইদাগী টেররিষ্ট ১৯না হায়জেক তৌরগা ন্যু য়োর্ককী লৱর মনহাটনদা লৈবা ৱর্ল্ড ট্রেদ সেন্টর অমসুং ভর্জিনিয়াগী পেন্টাগোন (য়ু এসকী দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্সকী হেদ ক্বার্টরস)দা এটেক চত্থরকখি। প্লেন অনীনা ৱর্ল্ড ট্রেদ সেন্টরগী ত্বিন টাৱরদা এটেক চত্থদুনা অমাঙ-অতা থোকহল্লগা অহুমশুবা প্লেন অদুনা পেন্টাগোনদা এটেক চত্থরকখিবনি। মরিশুবা প্লেন অদুদি ৱাশিংটন দি সী তম্না পাইশিল্লক্লগা পেন্সিলভেনিয়া মনাক্কী লৌবূক অমদা কায়রগা তাশিনখি। পুৱারীদা খ্বাইদগী তমথীবা টেররিষ্ট এটেকনি হায়না লৌনরিবা ৯/১১গী থৌদোক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী ফায়রফাইটর ৩৪৩ অমদি লো ইনফোর্সমেন্ট ওফিসর ৭২সু শিখি। থৌদোক অদু অল কাইদানা থোকহনবনি হায়বা চপ চাবা খঙবা ঙম্লকপদগী টেররিষ্ট গ্রুপ অসিগী লুচিংবা ওসামা বিন লাদেন অমসুং অতৈ টেররিষ্ট কয়া চঙজফম পী হায়বগীদমক অফঘানিষ্টানদা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সনা লুচিংবা কোলিসনননা লান্দাখি। মতমদুদা অফঘানিষ্টানগী লৈঙাক পায়রিবা টালিবাননা অল-কাইদাগী টেররিষ্টশিং চঙজফম পী হায়বগীদমক য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসনননা লান্দাখিবনি। কুমজা ২০০১গী সেপ্টেম্বর ১১দা অল কাইদাগী টেররিষ্টশিংনা হায়জেক তৌরগা এটেক চৎথবদা শীজিন্নখিবা প্লেনশিং অদুদি অমেরিকন এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট নম্বর ১১, য়ুনাইটেদ এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট নম্বর ১৭৫, অমেরিকন এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট নম্বর ৭৭ অমসুং য়ুনাইটেদ এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট নম্বর ৯৩নি। থৌদোক্তুদা লৈখিদবা মীওই লিশিং কয়ামরুম হৌজিক ফাওবা মশক-মমিং খঙদোকপা ঙমদনা লৈরি।

নুমীৎতুগী অয়ূক পুং ৭.৫৯ তাবদা ক্রু ১১ অমসুং পেসেঞ্জর ৭৬ তোংবা অমেরিকন এয়রলাইন্সকী বোইং ৭৬৭ অমা অল কাইদাগী মীওই মঙানা হায়জেক তৌরগা অয়ূক্কী পুং ৮.৪৬ তাবদা ন্যু য়োর্ককী ৱর্ল্ড ট্রেদ সেন্টরদা অৱাং থংবা টাৱরদা থেংজিন্দুনা এটেক চত্থখি। অয়ূক্কী পুং ৮.১৪ তাবদা লোগান এয়রপোর্টতগী পেসেঞ্জর ৫১ অমসুং ক্রু মাপল তোংদুনা পাইখৎখিবা য়ুনাইটেদ এয়রলাইন্সকী বোইং ৭৬৭ এয়রক্রাফ্ট অমা মীওই মঙানা হায়জেক তৌরগা অয়ূক পুং ৯.০৩ তাবদা ৱর্ল্ড ট্রেদ সেন্টরগী খা-থংবা টাৱরদা থেংজিনখি। অয়ূক্কী পুং ৮.২০ তাবদা পেসেঞ্জর ৫৩ অমসুং ক্রু তরুক্কা লোয়ননা ৱাশিংটনগী দ্যুল্স ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী পাইখৎখিবা অমেরিকন এয়রলাইন্সকী বোইং ৭৫৭ এয়রক্রাফ্ট অমা মীওই মঙানা হায়জেক তৌরগা অয়ূক পুং ৯.৩৭ তাবদা ভর্জিনিয়াগী পেন্টাগোন তম্না পাইশিনখি। অয়ূক পুং ৮.৪২ তাবদা ক্রু তরেৎ অমসুং পেসেঞ্জর ৩৩ তোংবা য়ুনাইটেদ এয়রলাইন্সকী বোইং ৭৫৭ এয়রক্রাফ্ট অমা মীওই মরিনা হায়জেক তৌরগা পাইরকপদা অয়ূক পুং ১০.০৩ তাবদা পেন্সিলভেনিয়াগী লৌবূক অমদা কায়রগা তাশিনখি। পেসেঞ্জরশিংনা অমত্তা ওইনা খূৎশম্নরগা হায়জেক্কর পূম্নমক খূদুম চন্নবা হোৎনরুবদা প্লেন অদু লৌবূক্তা কায়রগা তাশিনখিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই ২,৯৯৬ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ৬,০০০ হেন্না অশোক-অপন নংখি। ৱর্ল্ড ট্রেদ সেন্টরগী থৌদোক্তা মীওই ২,৬০৬ অমসুং পেন্টাগোনদা মীওই ১২৫ শিখি। ফায়র ফাইটর ৩৪৩, লো ইনফোর্সমেন্ট ওফিসর ৭২, মিলিটরি পর্সনেল ৫৫ অমদি টেররিষ্ট ১৯ থৌদোকশিং অদুদা শিখিবনি। ৱর্ল্ড ট্রেদ সেন্টরদা শিখিবা মীওইশিংগী মনুংদা মীতৈ মচা অমা য়াওখিবনি। নুমীৎতুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংদা ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা চহী খূদিংগী সেপ্টেম্বর ১১দা নীংশিং কুমওন থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মরাল লৈজদবা মীচম কয়া শিখিবগী থৌদোক অদুবু মায়কৈ কয়াদগী অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্নরকখ্রবসু টালিবান মিলিটেন্টশিংনদি মরম চাবা এটেকনি হায়না ফোঙদোরকখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা টালিবানগী লুচিংবা মুলাহ ওমার মহমদনা হায়খি, য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সনা অরানবা মওংদা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী থবক থৌরমশিংদা খূৎ থিংজিল্লকপনা মরম ওইরগা থৌদোক অদু থোকখিবনি। অমরোমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সনা থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা লমন খুন্বা ওইনা অফঘানিষ্টানদা লান্দাদুনা টালিবান মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা অল কাইদাগী লুচিংবা ওসামা বিন লাদেন হাৎখিবা তারবসু ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংগী ঈহৌ মপূং ফানা নমথবা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। চুম্বা-লানবগী ৱাফম তোঙান্না থমখ্রগা নাকল অনী ৱারী শানদুনা য়াশিন্নবা পুরক্নবা হোৎনদ্রিবমখৈদি মতুংদসু অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক মশীং থীঙমদনা থোরকপা য়াই।

এদিটরদা থারকপা চিঠি

নুংশিরবা লৈনম্না মায়কৈ শরা শলহনখিসি

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

মতমসিগী য়ূম্বাল পুন্সিদা চৎনরিবা লোনচৎকা, হৌখ্রবা মতমগী চৎনরম্বা য়ূম্বাল পুন্সিগী লোনচৎকা খেন্নবা কয়া লৈরিবা হৌজিক্কী মৌশিংগা মতমদুগী মৌশিংনা চৎনরম্বা লোনচৎকা চাংদম্নবদা সমুদ্রগা লাঙ্খোংগা পান্নবনি তাজে। মতমসিগী মৌ কয়াগী মওং মতৌ য়েংলু উরুরগা অহল-লমনগী পূক্নিংদা নীংবা ইথুং থুংনদবা ওইনা তৌব্রা খল্লি। তৌবতবু অচংবা মৌ খরবুদি ময়ামগী মরক্তা য়াওরমগনি নীংজৈ। অদুনা মতম মতমনা পুরকপরা খঙদে, য়ূম্নাক অমদৈ য়ূম্নাক অমদা য়ূম্বাল্লকপী মৌ কয়ানা শুমাং থেল্লোং, তুলসিবোং ৱাইরম তৈবা ফাওবা তল্লকপ্রা খঙদে। নৌরিঙৈদা পুর্নিমা থাজগুম কোইনা ফজনা তৈরম্বা, খরা লৈরগনা থাশিগী মতৌ ওইরক্তবসু নত্তে। অদুগা মখোয় মখোয়গী হৈনবী থবক থৌরম্না ইমুং মনুংগী অপান্বগা মত খেন্নবা, নারি তিন্নরক্তবা কয়াসু য়াওরক্তবা নত্তে। য়ূম্বাল্লকপা নৌরিঙৈ লৈরল্লিবা মীওইশিংবু মাগী খূবাম্নুংদা থমদুনা কুসি-রাসি তৌনীংবগী ৱাখল্লোন কয়াসু য়াওরকপা য়াওই। মনেম-মকুবু থওইনা খন্নবীরক্তবগী হৱা নুংশিৎনা মখোয়গী থম্মোয়দা হুম্বতা নত্তনা চাবা-থকপদসু মখোয়না চানীং-থক্নীংবা থোং-থাকপা, অহল ওইবশিংগী কয়া খনবীদবা, অয়ূক্তা চা গ্লাস অমতং লোল্লগা পীথক্নিংদবা মৌশিংগী মরক্তসু য়াওদবা নত্তে। নৌরিঙৈ মপাম চাক্নৌবা ফাওবদি তাৎ তৌনা নুংশিবা শানা থকসি-খাসি নাইনা, লুনা-চান্না তৌরম্বা, কুইরগা লাই ওল্লকপা মৌশিংগী মরক্তসু কয়া অমনি।

অমরোমদা ইমা-ববা করি এঞ্জাং থোংশিগে হংনরম্বা মতম অমগী মৌশিংগী নুংশিরবা ৱাহৈশিং হৌজিক্কী মৌশিংনা হংবীদবা, চাগেরা-চারোইরা ৱাখলদা থন্বীরম্বা কয়াসিনা মমা-মপা শক্লবা মনেম মকুগী মচিন্দদি সিমা চাগে হায়জবা ঙমদনা চানীংবা চাবা ফংদনা থম্মোয় কায়না লেনবসু য়াওদবা নত্তে। অদুগা মৌ কয়াদি থৌগল্লোন, থকসি-খাসি ৱাংমা লান্না চৎখিবনা মনেম-মকুবু লুনা তৌবীগদবা মৌ থিবদা ৱাগদ্রা খঞ্জে। মমাঙঙৈগী মতমদদি মনেম-মকু অমদি মপুরোইবগী চাবা থকপগী হান্না থৌগল তৌদুনা য়ূম্বাল পুন্সিদা অমগা অমগা নুংশি-চান্ননা লৈরম্মী হায়বসু তাজখি। হৌজিক্কী অহল-লমনশিংনা মখোয়না চানীংবা এঞ্জাং-নাপিশিং ফাওবা পুজারিনবু থোংবীদ্রবদি চাবা ফংদে হায়নবসু য়াওনরি।

নাকল অমরোমদা চৎনবী অমগুম নুপাশিংনা নুপী থিনরগা মা-মাগী নুপীগী লৌদগী মমা-মপা, মচিন-মনাও নুংশিনদবগী চাং ৱাংখৎলকপা, মতৈ উরগা কোক খুম্নরম্বা ফজখ্রবা চৎনবী কয়া মাঙলকপগুম তৌরক্লি। মসিদা পঞ্জরিবশিংসি মৌখক্তগী ৱাফমখক্তসু নৎচদে। ফজবা লোনচৎ অমদি নুংশিনবগী লিচিংনা পুনশিন্নদুনা হিংমিন্নবগী ৱাফমসুনি। অদুনা ইপা-ইপুগী ৱাহৈদা নিংঙোল পোকই, ইয়াগী পিবা পোকই, ইমৌগী হায়বা অচুম্বা ৱাহৈ ওইরম্লে খল্লি। অদুনা ইচানা ইমৌগী ওইখ্রবদা করম্বা নুমিৎ থাদা মমা মপানা নোকচবা ফংলক্কনি হায়বা ৱাখলসি খন্দুনা শিবা ঙাইদুনা হিংনবসু য়াওনদবা নত্তে।

অমরোমদা পোলিটিক্সরোমদসু ঐখোয় ইশা ইশানা পামজনা মগুন লৈখ্রবা ইশাগী রাইটপু পামজরিবা মীদুদা পীখ্রগা মীদুনা মী ওইখ্রগা মহাক্লা মহাক্কী পূক্নিংগী অপান্বা লম্বীদা মীয়ামগী অনীংবা অপান্বগী ওন্ন-তৈনবদা নাকোয়ননা চৎখ্রবদা করম্বা থম্মোয়না পেন্নগনি? অদুনা মীয়ামগী অদুগুম্বা মহাক্লা তুংগী ৱাখল কাউখিদুনা নাথৈখ্রগা লমদমসিগী য়াইফবা পুরক্কনি হায়বা করম্না থাজনীংঙাই ওইগনি। অহল-লমন শকখঙদবা, কৈরোল-লৈকায়না নুংশিনদ্রবা কনাগুম্বা মহাক অদো মমৈদা মাগী মী লৈরক্লোই। ৱানা লৈরুরগা নুংশিনা থাজরুরগা থোংবী-থাকপীগদবা পুজারিনবু থোংবীদ্রবদি চাবা ফংদে হায়বদু থোক্লসু ঐখোয়না ৱারসু ৱানা পুন্সিনা হিংনরিঙৈ অশোন-অনা কয়াবু থকসি-খাসি ঙাক্লা, লুনা-চান্না তৌবীদুনা ঐনা ঐনা তৌজরিবসে অপেনবা ওইহনবীদুনা ঐখোয় মশেল নুংশি চান্ননা অমনা অমবু অৱা অনা তেংবাঙননা নুংঙাইবা, ফজরবা ইরমদম অমা ওইহন্দুনা নুংশিনবগী নুংশিরবা লৈনম্না মায়কৈ শরা শলহনখিসি হায়জনীংই।

অদোমগী- তবানু খুরাইজম
ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়

লাংবন থানা লাকপসিদা

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিঙোম্বা

লাংবন থানা লাকপসিদা মৈতৈ য়ূমথোং খুদিংদা তেংবানবা মপুদা পূক্নিং লৈতানা নীংনা খুরুমজরগা, লাই-ওইখ্রবা ইপা ইপুশিংগী থৱায় মীরেলশিংগী মফমদা লাংবন হৈশোই ইপান থানৈ, তরা লুকলেন চাক-খাঙনৈ। থৱান থানা লাকপদা লাই-ওইখ্রবা থৱায়শিংগী তেংবাঙবা মপুনা থোঙ হাংবীরি। অদুনা থৱানগী নোংমা পানবদগী কোরৌ থক্তগী থৱায়শিং অদুনা খোঙ্গুমবীরক্তুনা লাংবন থাগী ১৪নি পানবা অহিং নোংয়াই চবুক্তা ইপা-ইপুশিং থৱায়না মাগী মাগী শাগৈ, য়েক-সলাইগী অমদি মচা মশুশিংগী থোঙ্গালদা, শুমাংদা থুংলৈ হায়না থাজনৈ। য়াম্না নুংশিবা অমদি অহলশিংনা হায়বীবদা ইপা-ইপুশিংনা তাইবঙ মীরমলেনসিদা থুংলবা মতমদা শিঙ্গারৈ কৌবী লৈরাংনা অহিং নোংয়াই চবুক্তা থৱায়শিং অদুগী খুয়াদা কেল্লি। লমশাং লাকপদা ৱাজরবা থৱায়শিং অদুনা শিঙ্গারৈ লৈরাং মাগী লৈনম্বু ফংবদা চোকথরম্বা থৱায়শিং তেকখৎহল্লি হায়না ৱারী ওইনা লীবিরি। অদু নোংদগী ঙসি ফাওবদা শিঙ্গারৈ কৌবী লৈরাংনা অহিং নোংয়াইদা কেল্লিবনি হায়না থাজনরি। লাংবনগী ১৫নি পানবগী কোরৌনা তরং-তরং থোরকপা মতমদা ঙমজবা তরা মথেল লুকোয় হৌদুনা মুন্না থোংলগা খৌরাংলবা/খৌগংনরবা ইপা-ইপুশিংদুগী থৱায় মিরেলগী মফমদা, চেঙ-থোইদিং, হৈরাং-লৈরাং কৎচদুনা অরাম খৌরাংবা কোক্নহল্লি হায়না লৌনদুনা ঙসি ফাওবদা লাংবন হৈশোই ইপান থাবা, তরা চিন্দম চাক-খাঙবা অসি চত্থরল্লি। মদুনা ইপা-ইপুশিং অদুগী তৌবিমল লমন শিংবা শক্লে হায়না থাজনৈ। অসিগুম্বা থা অসিবু লাংবন ঈরাৎপা হায়নসু খঙনৈ। অসিগুম্বা থা অসিগী মনুংদা ঐখোয়না ইরু মায়থজবা মতমদা কোক্তা ঈশিং হৈথদুনা ইরুজবা অমদি খোঙদা ঈশিং হৈরগা চামথোকপা অসি তৌনদে, মরমদি ঐগী খোঙদা চেন্থখিবা ঈশিং অদু ইপা ইপুশিংদুগী থৱায়না থকই। খোঙজুম পীথকই তৌহৈদে হায়বা ৱাখল্লোন অসি লৈবনা ইরুজবা মতমদা থা অসিগী মনুংদদি ঈশিং হৈথনদে। ঙসিদি অসিগুম্বা থাজনবী অসি কাউথোক্লখ্রে, কনানসু চেকশিন্না লৌনখিদ্রে। অদুনা লাংবন থা অসিগী মনুংদদি লৈখিদ্রবা ইপা-ইপুশিং অদুনা তাইবঙ মীরমলেনসিদা কুম্লক্তুনা অহিংবা ঐখোয়গা লৈমিন্নৈ হায়বা থাজনবদুনা, থা অসিগী মনুংদা ইমুংদা ইশৌ লাংনবা, খৎন-চৈনবা, ৱা কন্না ঙাঙনবা তৌনদে। থা অসিগী মনুংদা অহিংবশিংনা থৌগল্লোন খঙনা শিনবাংবা, মাঙ্গোলদা, ফমেলদা, শম-শা শম-শা চৎনদে। ইপা-ইপুশিংদা ফিজি-ফিনানা থেংই হায়না লৌনৈ। তাশিন খোমজিন্না অমদি চেকশিন্না শিনবাঙনৈ। মৌ ওইবী কয়ানসু থা অসিমদি কোক্তা কোক-খুমফি থাদোক্লদে। লিরি খোইরিনা চৎনৈ। চানীংবা চিঞ্জাক পংচা চানদে। অহল-লমনশিংদা তাথি-তাওইনদে। অসিগুম্বা লিচৎ কয়া অসিনসু, তাইবঙ পুন্সিদা শিন্থা-পাওতাক ওইনা তাকপী-তম্বীদুনা ঈং-তপ্পা ফজরবা খুন্নাই অমা ওইনা শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। অদুবু ঙসি ওইরিবা ফীভম অসি য়েংলগদি, ঐখোয়সি ঐখোয়গী লিক্লমদগী খরা হাইদোরক্লব্রা হায়বসি ৱাহং ওইনা থমনীংই।

লাংবন থানা লাকপসিদা পূক্নিংসি মওল-মওল্লি। লমসিদা মীওই কয়া পোকখ্রে, কয়া অমা লাইগী খুয়া তানখ্রে। মশীং নাইদনা পোক্লবসু, মশীং নাইদনা অদুম লৈখিদ্রে। পোক্লকখিবা মীপূম খুদিংনা মাগী-মাগী ওইবা শিন্থা কয়াদা শিন্থারমখি। মখোয়না পাংলম্বা শিন্থা কয়া অদুনা ঙসিগী মীরোল অসিনা মদুগী নুংঙাইবা কয়া ফংলি। ময়ামশিং অদুগী মনুংদা লমদম অসিগীদমক হীরম কয়াদা মায়পুননা থৱায়না পোন্থা পীদুনা লমদমসিগী অশেংবা শক্তম অমা কায়হন্দনা খূৎফম কায়দনা থন্বীনবা হোৎনবিরম্বা ইপা-ইপু কয়া লাংবন থানা লাকপসিদা নীংশিংলকই। মখোয়শিং অদুগী মফমদা ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং, চেঙ-থোইদিং খরদা ওইরসু কৎনীংই। লোয়ননা ঐখোয়সু লাক্কদবা তুংগী মীরোলনা শক্ল-শোন্নহৌনবা লৈবাক্কী ওইবা করিগুম্বা খরদা ওইরসু তৌনীংই।

মতম মতমগী ওইনা পানখিবা ঐখোয়গী নিংথৌ কয়াগী মথৌনা মরিংজেল কয়ানা ঐখোয়গী ঙমখৈগী শম্বল খাবীরম্মী। অকনবা অথৌবা নিংথৌগী মতুং ইন্না অমুক পিকশিনবা অমুক চাউথোকপা কয়া মতম মতমগী ওইনা লৈখি। তৌবতবু মপূং ওইনা লেংদনা লৈহৌরিবা খরা অসি ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিং অদুগী থৌনাশিং অদুননি হায়না লৌবা য়াই। অদুবু ঙসিগী মীরোল অসিনা ঙসি ঐখোয়না নুংঙাইনা হিংলিবা ইরমদম অসিগীদমক ৱাজখিবা অমদি থৱায়না পোন্থা পীখিবা কয়াবু থোইদোক্লা নীংশিংবদি তৌনদে। ঐদি মখোয়বু নীংশিংলি, মখোয়গী মফমদা হৈরাং-লৈরাং কৎনীংই। মসিগা লোয়ননা ইপা-ইপুশিংনা থন্বীরম্বা ঙমখৈ শম্বল অমদি নুংশি চান্ননা পূন্না হিংমিন্নরম্বা অদু ঙসিসু মপোপ কায়দনা পুথনবা হোৎনবা অসিনা ইপা-ইপুশিং অদুগী মফমদা তৌবিমল খঙবা অমদি লমন শিংবনি হায়না লৌনীংই। অদুবু ওইরক্লিবা ফীভম কয়া অসিদদি ইশাগী নুংনাংবনা লৈতাফম খঙহন্দে।

নাকল অমদা অমুক য়েংলবসু, মালেমদা ঐখোয়না ঐখোয়গী লননি হায়না শক তাক্লিবা, নাৎকী ওইবা ফজরবা শৈথা-জগোয় কয়া নিংথিনা মচু তানা শেমগৎপীদুনা থন্বীরম্বা ইপা-ইপুশিং অদুগী ৱাখল, মীৎয়েং অমদি মখোয়গী চোকথবা লৈতনা হোৎনজখিবা কয়া অদু করম্না কাউথোকফম থোকপগে? মখোয়গী হোৎনজবা কয়া অদুনা ঙসি ঐখোয়না ঐখোয়গী ওইজবা শৈশক শৈরোল অমদি নাৎকী ওইবা পোথোক কয়া অদু কায় কায়দুনা শীজিন্নবদা ঙসি কয়াদা নুংঙাইরিবা অমদি মীমাঙদা কয়া চাউথোকচনীংঙাই ওইরিবা? মমানা পোকপদগী লমদমসিগী নাৎকী ওইবা থৌরম-শিন্থা অমত্তদা শরুক য়াখিদবা অমদি করিনো হায়বা ফাওবা খঙজদবশিং ফাওবদা, ঐখোয়গী ফজরবা কলচরগী ওইবা পোথোক কয়া উরুরগা, মীনা থাগৎনরকপা কয়াদা মথম্মোয়দা চাউথোকচবা পোক্লিবনি। অদুবু অদুগুম্বা কয়া অদু শেমগৎ শাগৎপীরম্বা লাই ওইখ্রবা ইপা-ইপুশিং অদুবুদি ঙসি কনানসু নীংশিংবীদে, মখোয়গীদমক্তা করিগুম্বা অমত্তসু কৎনীংদবা ফাওবগুম উরিবা অসিসু লাইবক থীবনি করম্না হায়রোই।

মতম-মতমগী ওইবা লমদমসিগী ইস্যু কয়াদা লৈবাক মীয়ামগীদমক মাঙ থানা চৎখ্রবা মাঙজিল থাখিবা অথৌবা কয়াদুনা লমদমসিগী মীয়ামদা অমদি মতম মতমগী লৈঙাক্তা অকনবা ঈথিল পীদুনা তুংলমচৎকী য়াইফনবা ৱাখলগী ময়োল চোংহল্লম্মী। অদুগুল্লবা অথৌবা কয়াশিং অদুগী মফমদা লাংবন থানা লাকপসিদা করিগুম্বা খরদং ওইরবসু, হৈরাং-লৈরাং অমত্তা ওইরসু কৎপা হায়বসি তৌফম থোক্তব্রা?

লাংবন থাবুম চূপ্পা অসিমা মৈতৈ য়ূমথোং অয়াম্বদা মাগী মাগী লৈখিদ্রবা অহল-লমনশিং অমদি ইমুং মনুংগী মীওই কয়াদা ঙমজবা খরা কৎচদুনা লাংবন চাক-খাঙবা হায়দুনা চাউনা-চাউনা কৎনরি। মখোয়গী থৌরাং অসিবুসু থাগৎনীংঙাইদি ওইরি হায়ববু ৱাখল্লোনশিং অদু খরা পাকথোক চাউথোক্লা খন্দুনা লমদমসিগী ইপা-ইপুশিংনা মখোয়না তৌবিরম্বা থৌদাং কয়াশিং অদুবু নীংশিংদুনা, মাগী মাগী শাগৈখক্কী ৱা নত্তনা লৈখিদ্রবা লৈবাক্কী অমদি মীয়ামগীদমক থৱায় কৎপীখ্রবা অথৌবশিং অদুগী মফমদা ঙমজবা হৈরাং অমতং ওইরবসু কৎচদুনা মখোয়বু নীংশিংজবা অমদি মখোয়গী থৱায়না অরাম-খৌরাংবা কোকহন্নবা থৌরাং খরদং পায়খৎপীবা হায়বসি থোইদোক্লা কা হেন্না অৱাবা নত্তবনিনা তৌহন্নীংই। মীয়াম্নদি করি হায়না লৌবীগদগে হায়বদি হায়বা ঙমজদ্রে। সুম লাংবন থানা লাকপসিদা ঐগী চাইথোরকপা ৱাখলসিদা ফাওরকপা খরদং থমজবনি। লাল্লবসু ঙাকপীগনি। ●

অকোয়বগী ফীভম মোৎহন্দনা, মতম চংহন্দনা শউন শেম্বগী পাম্বে : সী এল আর আই, চেন্নাই

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

থিজিনবগী থবকসিদা শরুক য়াখিবা সি এল আর আইগী সাইন্টিষ্টশিং

শা-ষণগী মউন্দগী শেমদোক-শাদোক্লগা ফংলিবা শউন অসি মালেমদা খ্বাইদগী য়াম্না শীজিন্নরিবা পোৎশিংগী মনুংদা অমনি। শউন শুংবদা মরুওইবা থৌওং অহুমখক চংই : অহানবা শেম-শাবা (তেন্নিং তৌদ্রিঙৈগী থৌওং), তেন্নিং অমসুং ক্রষ্টিংনি। অহানবা শেম-শাবগী থৌওংসিদা মতু লৌথোকপা, খরি (অলকালি) গী মহী অমদা তিংবা, মহীদুদগী লৌথোক্লগা য়ৈবা, শেংদোক-খোত্তোকপা অমসুং ফর্মেন্টেসন তৌহনবা য়াওরি। তেন্নিং তৌদ্রিবা শউন্দি কংহনবা মতমদা কনশিল্লকই অদুগা কোম্থোক-কোনশিন য়াদে। অদুবু তেন্নিং তৌখ্রবা মতুংদদি থোৎলকই অদুগা কোম্থোক-কোনশিন য়ারকই। তেন্নিং তৌবগী থৌওং কয়ামুক লৈ। মসিগী মতুংদা ক্রষ্টিং তৌই। থৌওংসি তৌরবা মতুংদা শউন্দু পাশিল্লকপগা লোয়ননা নাল্লকই। মতমসিদা শউনশিংগী মচুসু হেক হেক শংনৈ। মথক্তা পনখ্রিবা থৌওংশিং অসি পাঙথোকপদা মতম চংই অমসুং অকোয়বগী ফীভমদা মোৎহনবা কেমিকেলশিং শীজিন্নৈ। অদুবু হন্দক্তা ফোঙফোঙখবা 'গ্রীন কেমিষ্ট্রি' চেফোঙগী মতুংইন্না, কাউন্সিল ওফ সাইন্টিফিক এন্দ ইন্দষ্ট্রিএল রিছার্স (সী এস আই আর) গী মখাদা লৈরিবা চেন্নাইগী সেন্ট্রেল লেদর রিছার্স ইন্সটিট্যুট (সী এল আর আই) গী থিজিল্লোয়শিংনা মতম কুইনসু চংদবা অদুগা অকোয়বগী ফীভমদসু মোৎহন্দবা লেদর শেম্বগী পাম্বে অমা পুথোক্লে হায়রি। মসিমক চাউথোকচনীংঙাই ওইবা, নুংঙাইবা পাউ অমনি হায়না লৌবা য়াই।

শীজিন্নবা য়ারবা শউন শেম-শাবগী থৌওংশিংদগী থাদোরকপা কেমিকেলশিংগী মনুংদা ৬০-৭০%দি অহানবা শেম শাবগী তাঙ্কক হায়বদি তেন্নিং তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা থাদোরকপনি। অসুম্না কেমিকেলশিং য়াম্না থাদোরকপা অসি চাং হন্থহনবা হায়বসি য়াম্নমক মরুওই। সী এল আর আইগী থিজিল্লোয়শিংনা শীজিন্নরিবা পাম্বে অসিদা এমাইলেজদা য়ূম্ফম ওইবা বাইওকেটলিষ্ট অমা শীজিন্নরি। বাইওকেটলিষ্টসি শীজিন্নবনা ঈশিং শীজিন্নবগী চাং শরুক অহুম হন্থহন্দুনা মহী ওইবা কেমিকেলশিং থাদোরকপগী চাং য়াম্না হন্থে। মখোয়গী পাম্বেসিদদি শউন্দুনা ক্রোমিয়ম চুপশিনবগী চাং হেনবনা অকোয়বগী ফীভমদা থাদোরকপগী চাং নেম্মী। ক্রোমিয়ম হায়বসি ক্রোস-লিঙ্কিং থোকহন্দুনা কোলাজেনগী ষ্টেবিলিটি হেনগৎহনবদা শীজিন্নবনি। অতৈ অতোপ্পা কেমিকেলশিং শীজিন্নদবনিনা, ওক্সিজেন শীজিন্নবগী চাং চাদা ৩৫ হন্থহনবগা লোয়ননা পূন্না মপং ওইনা থাদোরকপা কেমিকেলগী চাংনা চাদা ৫০ হন্থহল্লি।

বাইওকেটলিষ্টতু শীজিন্নরগা, তেন্নিং তৌদ্রিঙৈ অহানবা তাঙ্কক্তা ক্রোমিয়ম অমসুং ঈশিং হন্থনা দরকার ওইরিবগী মরুওইবা মরমদি বাইওকেটলিষ্টতুনা হান্নদগী হৌনা শাগী মউন্দা য়াওরবা গ্লাইকান সুগর (গ্লাইকোসামিনোগ্লাইকান) দা ফাজিনবগী চাংদু শরুক ১২০ হেনগৎলকপদগীনি। কেটলিষ্টতুনা সুগরদুদা অমুক্তংবু ফাজিনখ্রবদি, মসিনা সুগরদুবু হায়দ্রোলাইসিস থোকহন্দুনা থুগাইরগা শা মউন্দুগী ফাইবরগী শরুক্তু থোকহল্লকই। ফাজিন্নবা অমসুং থুগাইবগী থবকসি য়াম্না তপ্না থোকই। মখোয়গী বাইওকেটলিষ্টসি শীজিন্নরগা ফাইবরশিং থোকহল্লকপদা মিনট তরাখক্তমক চংই। হৌজিক হৌজিক শীজিন্নরিবা এঞ্জাইমশিংনদি ফাইবর থোকহল্লকপদা পুং অহুমদগীনা তরুকফাওবা চংই। শুনু অমসুং সলফেট শীজিন্নবা মতমদা পুং তরানিথোই চংই হায়না সী এল আর আই দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওকেমিষ্ট্রি এন্দ বাইওটেক্নোলোজিগী নিরাইকুলম অয়াদুরাইনা ফোঙদোক্লি।

ফাইবরশিং থোকহনবগী থৌওংসি থুবতা নত্তনা হৌজিক শীজিন্নরিবা এঞ্জাইমশিংদগী হেন্না বাইওকেটলিষ্টসিনা শা মউনগী মনুং ফাওরগা হেন্না চংবা ঙম্মী। হেন্না লুনা চংবসিগী কান্নবা অনীখক লৈ : ১) মসিনা কোলাজেনগী ষ্টেবিলিটি হেনগৎহন্নবগীদমক ক্রোমিয়ম হন্থনা শীজিন্নবা য়াহল্লি অদুগা কোন্নথংদা ফংলক্লিবা শউনগী মগুনসু হেল্লি। শীজিন্নরিবা ক্রোমিয়মগী চাদা ২০ মুক্তি শাগী মউন্না চুপশিনখি। মসি এঞ্জাইম নৎত্রগা অতোপ্পা কেমিকেলশিং শীজিন্নরগা শেম-শাবদগী য়াম্না হন্থরে হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোক্লি। ২) বাইওকেটলিষ্ট অসি শাবগী চাংনা দিগ্রী সেলসিয়স ৯০ ওইবা অদুগা অশিন-অয়াক্কী চাংনা পি ঐচ ১০ ফাওবদা ফীভম কায়দনা লৈবা ঙম্মী।

বাইওকেটলিষ্টকী মতেংনা শা মউন্দগী ফাইবর হেন্না থোকহনবা

মহৌশানা শীজিন্নরক্লিবা এমাইজেল এঞ্জাইমশিংনা শাগী মউন্দা নপশিনবগী চাং ৱাৎলি, অদুনা ফাইবর থোকপগী চাং হন্থে। মরম অসিনা থিজিনবগী থবক অসিবু লুচিংখিবা অয়াদুরাইনা জীনেটিক কোদকী পাম্বে শীজিন্নখি। জীনেটিক কোদ এঞ্জিনিয়রিংনা এমাইলেজ এঞ্জাইমদা অনৌবা কেমিষ্ট্রিগী মওং অমা থোকহল্লগা এঞ্জাইমগী মগুন হেনগৎহনখি। তাইরোসিন এমিনো এসিদপু এমিনো, হায়দ্রোক্সিল, ফ্লোরিন অমসুং ক্লোরিনগুম্বা অহেনবা কাঙলূপশিংগা লোয়ননা শেমদোক-শাদোক্লম্মী। অসুম্না অহেনবা হায়দ্রোক্সিল কাঙলূপ শীজিন্নবসিনা শা মউনগী গ্লাইকান্দা হেন্না ফবা মথৌ তৌহনবা ঙমখি হায়না সী এল আর আইগী সুর্যলক্ষ্মি পান্দুরঙ্গননা ফোঙদোক্লি। এমাইলেজ জীন্দু *বেসিলস লাইকেনিফোর্মিসতগী* লৌথোকপনি অদুগা *ঈ কোলাইদা* হাপচিনবনি। এঞ্জাইমদু *ঈ কোলাইদা* হাপচিল্লবা মতুংদা শউনবু লার্জ-স্কেলদা পুথোকপা ঙমহল্লি। মসিনা ফর্মেন্টেসন তৌহল্লগা এঞ্জাইমদুবু শেল ইচং চংহন্দনা পুথোকপসু ঙমহল্লি হায়না থিজিল্লোয়শিংনা মখা তানা ফোঙদোক্লি। ●



গ্লাইকান সুগরগী ষ্ট্রকচর

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।